ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯲꯴, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯶꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেল, দিসেম্বর ২৪, ২০২০, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ২৬৭শুবা মশীং

# স্পেসল ষ্টেটস তানবা

## অপূনবগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্নবা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি

লৈবাক অমগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম কাং-খোং চাইহনগে, চাউখৎ থৌরাং পুম্বা মঙম শামহল্লোই হায়বা তারবদি মফম অদুদা লৈরিবা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদনবা শীনবা হায়বসি ফত্তবশিংগী ইথিলনি। ইথিল অসিবু লৌরিবা মীওই কাঙলুপ অদু মচিন-মনাও হাৎপা ঙম্বা, নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবা পামদবা, চাউখৎপা পামদবা কাঙবুনি হায়না অফবা তৌবশিংনা লৌগনি। মীশিং য়ামদবা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগা শক-চু তোঙানবা মণিপুরীশিংগা চাউখৎপগা লোয়ননা ঈজৎ লৈনা হিংগে হায়বা তারবদি লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপচাশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হায়বসিনা ওইথোক্কনি। স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ পাক চাউবা পীকখ্রবা ষ্টেট অসিদা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নদুনা লাক্লি। চীংমীনা ৱারগনা তম্মীনা তেংবাংবা, তম্মীনা ৱারগা চীংমীনা তেংবাং পীরগা অমনা অমদা মচিন-মনাও ওইবগী নুংশি লীপুন্না পুল্লগা লমদম অসি ঈংনা চিক্লা পানমিন্নরকখিবনি। লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ ৩০ হেনবগী মরৈবাক ওইরিবা মণিপুরগী অপূনবা শক্তমসু ফুরুপচাশিংনা পুন্না ঙাকমিন্নদুনা লাকখিবনি। চহী ৭ খুন্তাকখিবা, অৱা লান্মীগী মীওৎ-মীনৈনা তম্পাক লমদা লৈবা ঙমদ্রবা তম্মীশিংবু চীংগী ইচিল-ইনাওশিংনা মচিন-মনাও ওইরিবা তম্মীশিংবু শোকহন্দনবা নাওকোনখিবগী ৱারী কয়া ঙসিসু নীংশিংনরি। মীরৈবাক মচাশিংনা লান্দারকপদা চীংমীশিংনা শম্বল ওইনা ঙাক্তুনা তম্পাক লমগী মচা-মনাওশিংবু কন্দুনা লাকখি। অদুক্কী মতিক ফজরবা অমসুং নুংশি লীপুননা চেৎনা পুন্দুনা লৈরম্বা পুৱারীগী লীখুনশিং অদু ঙসিদি খঙহৌদনা হুন্নকপা নোংলৈ-নুংশিৎনা মচিন-মনাও ওইনা হিংমিন্নবগী মরী ফোইদৎননবা হোৎনরি।

লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিং মশক থোক্লা হিংমিন্নদুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাক্তুনা থম্নবা পোলিটিকেলগী ওইবা স্পেসল ষ্টেটস অমা পীগদবনি হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)না লাউথোরকখিবা ৱাফম অসি য়াম্না মতাং মতম চাবা অমনি হায়না লৌফম থোকই। লিশাং-শিংনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নখিবা ফুরুপশিংনা তোঙান-তোঙানবা ৱাখল্লোন পুথোক্লদুনা মশা-মশাগী অনিংবা অমদি অপাম্বা ফংননবা হোৎনরকপদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা হেক হেক শীংনরক্লি। অসিগুম্বা খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং থাদোক্লরগা অপীকপা নৎত্রগা অচৌবা ফুরুপ হায়বা খেন্নবা থমদনা চপ মান্নবা রাইট অমদি চাকথুং ফংমিন্নদুনা পুন্না চাউখৎমিন্ননবা লম্বী অমা থিরকপদা মণিপুরগী স্পেসল ষ্টেটস তানবগী ৱাফম অসি থোরকপনি হায়না কোকোমিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে। স্পেসল ষ্টেটস তানবগী ৱাফম অসিগী মতাংদা কুপ্পা খন্ননবগীদমক কোকোমিনা দিসেম্বর ২৬কী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা কোনুং লম্পাক্তা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা স্পেসল ষ্টেটস ফোর মণিপুর হায়বা হীরমদা মীয়ামগী কনভেন্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়নসু লাউথোকখ্রে। কনভেন্সন অসিদা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী লুচিংবশিং, ইন্টলেকচ্যুএলশিং, সী এস ওশিং, একাদেমীসিয়নশিং, জর্নেলিষ্টশিং অমদি লিগেল এক্সপার্টশিংনসু শরুক য়াবীয়ু হায়না আপিল তৌখ্রে। স্পেসল ষ্টেটস তানবগী ৱাফম অসি খন্নরকপা মতমদা হিষ্টোরিকেল, কলচরেল অমদি সোসল ইস্পেক্টশিং শোয়দনা থোরক্কনি। মসিগীদমক কুপ্পা খন্ন-নৈনবদি য়াম্নমক মথৌ তারি। মমা লৈবাকপু নুংশিবা, মরমদমগীদমক করিগুম্বা খরদং হিংলিঙৈ মতমসিদা তৌরমগে হায়বা ৱাখল্লোন অদু চেল্লক্ত্রবদি লমদম অসি কমদৌনা ঈংনা চিক্লা লৈবা ঙমগনি। অপূনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা চঙলকপা মপানগী ইথিল লাপ্পা থৈদোক্লগা থমখিসি। মণিপুর থুগায়বা পাম্বা কাঙবুগী চিরোল লাংদা থুদনবা পুম্নমক্লা হোৎনসি। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঐখোয় মশেল নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নদুনা চুংশিন্নরগা ঙাকমিন্নগদবনি। স্পেসল ষ্টেটস তানবা হায়বসি অপূনবগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্নবা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### লমদমসিগী লৌমিশিংদা শুপ্নগী ঈশিং মরাং কায়না পীবিয়ু

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

হৌখিবা চহী কয়াদগী মণিপুরদা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদ্রিবা অসিগী অচৌবা মরমদি ইথৈ-লৌখোং মতিক চানা মতম-মতমগী পাল্লিবা লৈঙাকশিংনা শেম্বি-শাবিদবননি। কনাগুম্বা খরননি মণিপুরদা লৈরিবা লৌমিশিং থবক শুবগী চাং ৱাৎলি হায়নরম্বদি য়াই। অদুবু মণিপুরগী হৌখিবা পুৱারীশিং হনগৎনা য়েংবিয়ু। মণিপুর কৌদ্রিঙৈ মমাংদা কংলৈপাক হায়না হায়নরম্বা লমদম অসি মীপাল তাংদনা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা লাকচবা ঙমদনা লাকখিবা লমদম অমনি। চাথোক মরাং কায়না পুথোক্তুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা চাবা কোন্নজরম্মী। অদুবু হৌখিবা চহী কয়াদগী মপান লমদগী পুশিল্লকপা পোৎচৈশিং লাক্ত্রবদি হিংবা ৱানরে। অতৈ অতোপ্পা পোৎলমশিং মপান লমদগী পুশিল্লক্লবসু তঙাইফদনা চান-থক্লবা পোৎলমশিংদি লমদম অসিদা পুথোক্তুনা মীপাল তাংদ্রবদি লমদম অসি য়াইফবা হায়বদু ওইগনি।

অদুবু লাইবক থিবদি লমদম অসিদা হৌখিবা চহী কয়াদগী করি-করম্বা ৱাখল্লোল অমা লাকখিদুনা নোংসু মরাং কায়না চুরিবা মফম অসিদা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপগী মহুৎতা মপান্দগী ওইনা পুশিল্লকপা পোৎলমশিংদা মীপাল তাংখিবনো? লোয়ননা লৈঙাকপশিংনা পুকচেল শেংনা লমদম অসিদা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপদা চঙবা মচাকশিং শিজিন্ননবগীদমক সেন্টরদগী শেনফম কয়া থাদরক্লবসু তশেংনা লৌ উজরিবা লৌমিশিংদা শাংলবা মতম কয়া অসি য়ৌবা ঙমদ্রিবনো হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি। হৌখিবা চহীশিংদা শোয়খিবা অমদি তৌবা ঙমহৌদবা থবকশিং অদু ঙসিসু তৌবা ঙমদ্রবদি হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা শোয়দনা ৱারৌবা খক নত্তনা ষ্টেট অসি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা অদুমক শোৎথদুনা লৈরগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা মীৎয়েং শান্না য়েংবিদুনা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎহন্নিংই।

*অদোমগী - কোঙ্গম মৈরাবা , চানা ময়াই লৈকায়*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮

১) মণিপুরী সাহিত্যদা মশেক মঙাল নাইরিবা অইবা অমনা 'ফাগি ঙাইহাক নোক্লবা পোত্থানবা অয়াংবা মচল ওইবতা নত্তে অচুম্বা অমদি অশেংবা ফোঙদোক্লবা হক্লবা খূৎলায় অমসুনি' হায়রম্মী। অইবদু কনানো অমসুং মানা হায়রম্মীবসি (য়াওফম) কদাইদনো?

২) দি ফ্লেমিং স্বোর্দ ফোরএবর অনশিদেদ হায়না অহানবা ওইনা ফোঙখিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা করি মমিং কৌদুনা কনানা হন্দোকপগে অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) অহানবা ওইনা মণিপুরগী মরমদা মণিপুরীদা (বঙ্গালি ময়েক্তা) ইবা লাইরিকসি করিনি হায়না লৌনবগে, অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙবনো?

৪) মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা পুথোরকপগে? অইবনা কনানো?

৫) "সুন তরঙগী মথক্তা/মৈরাগী মশক কুমনা/ঙান্নশানা লৈরিবী নঙবু/পায়মা ঐনা নুংচঙবী/তিল্লাং খোয়দাবীবু থোকলরে,/পেম্মা নঙবু কনানো?" য়াম্না শীংথানরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপা মতেকনি। করি শৈরেংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১১

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মফম অমদি মতমনা মরম ওইরগা শুমাং লীলাগী কাঙবু অসি করিগুম্বা মতমদা ওইদবা ফনা ফজনা ঙাঙখি। হৌজিক্কানদি মদু কমদৌরিবগে হায়বদি হায়জবা ঙমদ্রে। ঐগী মতম অদুদদি চিনসি য়ারিখৈ থিজরোই খল্লগসু, ওইদবসি য়াম্না মান্না-মান্না ঙাঙলগা মীয়ামগী পূক্লিং ফাথনবা য়াম্না হোৎনখি। লীলাগী মতম শোয়নবদগী অয়াম্বা ওইদবা ঙাঙদবা য়ারক্তবনি। নোংমদা লীলা অহুম নৎত্রগা মরি শান্নরকপা মতমদদি তঙাইফদনা মতমসি শোয়নরকই। অহানবা শো অদু খজিক্তং থেংনা হৌখিবদা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা শোদদি শোয়দনা মীৱা তারে। লীলা থেংনা হৌবসিগী মরম খরা অদুম লৈ, লীলাগী আর্টিষ্ট মতম চানা লাক্তবা, অদুনা চৎপদা থেংবা, লীলাসু থেংনা হৌবা, লীলাদু থেংনা হৌরবনিনা চৎপগী মতম অমদি লীলাগী মতম খাইদোক্লগা, অনীশুবদা খরা অমুক থেংলক্লনি, অহুমশুবগীদু পুং ৯দা হৌবা হায়বদুনা পুং ১০গী মতুংদা তারক্লনি, অরোইবগী পুং ১১.৩০দা হৌবা হায়না ঙাঙনবদুনা পুং ১ তারক্লদি শোয়দনা মীৱা তাবা তাবনি, মতাংসিদদি অয়েংবসু, লীলা কৌবসু, লৈকায়সু কৈসু লোইনা শাউনরে। অদুনা ময়ামদু শাউদনবা হোৎনবদা ওইদবা খরদি ঙাঙবা মশানা তাবনি। লীলাগী কাঙবুসে ৱাসু ৱাবা, মীৱাসু তাবা, পুং ৬তা হৌগদবা লীলাদু মী য়াম্মী-য়ামদ্রি হায়না হৌগে হায়বদা হেক্তা য়াদে, মতমদু চানা হৌহৌদ্রবদি মথংগী শোদা খরা অদুম থেংথরকপা তাবনি। পুং ৯দা হৌনি হায়বদুনা পুং ৯.৩০দা নৎত্রগা ১০দা হৌবদা থোইনা ৱা য়াম্নরোই, মদুগী মখা তাবা শোদুদদি অদুম কুম্মৈ তারে। লম্বীদা গাড়ী য়াদবনি, অদু তৌবনি, ৱারৌবীবা য়াদে, ঐখোয়না শোয়গে হায়না শোয়জবা নৎচদে, য়ানা-য়ানা, থোক্ল-থোক্লবা হায়জিনবনি। অদুনা অথেংবা কাঙবুনা ৱারৌবদগী লীলাদু শান্নরগা দখিনা পীরমদাইদা মরৈ তৌবা, লীলাসু হায়নখিবা মতম চানা লাক্তবা দখিনা পীরুনু গাইনা নাকলদগী থীনা চৈ-থাংদুনা ঙাঙবা য়াওরিপোৎনি। মদু ময়ামদু ৱারৌদনবা ঙাঙনবদা ঐখোয়সে মীখা থাদুনতা লাক্লবনি। মদুদা ওনশিন্দুনা চপ চানা হেক ঙাঙনরুবদা মতুংদা খুদোংচাবা মাঙখিদৌরিবনি। অদুনা শাউনীংলসু ফাজিনবা তাবা। য়াম্না হেনজিন্না হায়রবদি, "য়ারে-য়ারে ঐখোয় দখিনা লৌজররোই" হায়না ফুক হৌগৎলগা লাকপা য়াওই, মদুদা মখোয় খরনা অমুক খাম্বা য়াওই। মদুদা য়ানদ্রবদি ঐখোয় শেল অমত্তা লৌদনা লাকপগসু য়াওরিবনি। মখল মখানি থেংনরিবসি।

মতম অমদদি সরস্বতি পুজা হায়দুনা স্কুল, কোলেজ খুদিংমক্তা য়াম্না চাউনা চাউনা পাঙথোক্লরম্মী। লীলা অমদি শোয়দনা অদুম মতৌরে। সরস্বতি পুজাগী লীলাসিদি অয়ুক্তগী হৌই। অয়ুক পুং ৮ নৎত্রগা ৯দগী লীলা হৌবদুনা শুংলেপ লেপ্তুনা হোরেন নুংদাং অথেংবা ফাওবা শান্নরকই। চাক চানবা মতম ফাওবা ফংখিদে। খরা চাউনা তৌবা স্কুলদদি ক্ষেত্রি তৌবগা য়াওই। মদু স্কুলগী ফানশাং দেস্কতা লা মশাং অমা থারগা খরা হাপ্লগা ঐখোয় ময়াম্না কিৎ-কিৎ নমদুনা চখোম-চখোম চাখিবদুগী মহাওদু হৌজিক ফাওবা কাউদ্রি। চাহৌদ্রদি হোরেন অথেংবা ফাওবা চাবা ফংলোইদৌরিবনিনা নমদুনা নমচা চাশিনখি। মদুগী নুংঙাইবা এক্সপরিয়েন্স অদুদি পুন্সিসিদা কাউবা ঙমগনি থাজদে। মতমদুদা লীলা অমা তৌবা হায়বসিসু ইরায় লায়রম্মী, লীলা অমগী মমলসি অদুক কা হেন্না য়াল্লমদে, ঐখোয়না লৌরকপদা লুপা ৩০০/৪০০/৫০০ লম খিত্তং লাপ্লগনা ৬০০ লৌবগসু য়াওই। মদু মহৈরোয় ময়ামদুদগী ওজানা পুজাগীনি হায়না লুপা ২/২ দং খায়বদা ইরায় লায়না কোন্নে। মহৈরোয়শিংনসু ওজাদা লীলা তৌদবা য়ারোই হায়না তকশিল্লি। ময়াম্নসু লীলা ওইনা পাম্বনিনা লীলানা খরা হেন্না তৌখি। মতমদুগী অঙাং অমা পোকপগী শ্বষ্টি, না হুৎপা, মমিং থোনবা, লুগুন থাংবা লোইনমক লীলা তৌরমদবা লৈতে। কনাগুম্বা থিকাদার অমনা বিল ফংলবদি লীলা মফম অনীগা তৌরিপোৎনি। মানা থিকা তৌরিবা মফম অদুগী লৈকায়দা অমা অদুগা মা মশাগী লৈকায়দা অমা। অদুদা নত্তনা কনাগুম্বা এমপ্লোয়ী অমনা প্রমোসন কাবা ফাওবা শুমাং লীলা তৌনরম্মীবনি। লীলাসি অসুক্কী মতিক পোপ্যুলর ওই। য়াম্না পাম্নে। লীলা অমা কৌবগী মমলসি ঐখোয়না হায় হায়বগী ৱানি, অহায়বদু লোইনা লৌবা নত্তে, খরা খরদা ওইরসু তারিবনি, মদুনা মতুংগী লম্বী অমসু য়াৎনরম্মীবনি।

নোংমা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা থোকখি, নুমিত্তু লীলা অহুম লৈবনি, অহানবনা থাংমৈবন্দদা, অনীশুবনা হাওবম মরক্তা অদুগা অহুমশুবা অদুনা মোইরাংদা তৌগদবনি। পুং ২দা হৌগদবা লীলাদু ঐখোয়গী আর্টিষ্ট মরক্তগী অমা লাক্লে, মা থিনবদা কুম্মৈ অমা তানখ্রে। মাদি য়ু তপ তাখৈ ঙাওরগা ময়ূমদা তুম্মগা লৈরম্মে। মাবু পুরক্লবা হোৎনবদা পুংদি আ য়ৌনা তাথোকখ্রে। নুংথিল পুং ২দা হৌগদবা ফর্ষ্ট শো অদু নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৫ অদুদা হৌরে। অনীশুবা শোদনা পুং ৬তা হৌগদবদু পুং ৯দা হৌরে। লাষ্ট শো, লমসু লাপ্পা মোইরাংদা তৌগদবদুনা পুং ৯.৩০দা হৌগদবনি। অদুদি কয়াদা থেংলবনো, অদুমক্তদা অমুক খা পোৎশংবম য়ৌরকপদা ঐখোয়না তোংলিবা মিনি বসতু অমুক মমাঙগী এক্সন তৎলে, মদু শেম্মগা উচেক্লা পাইবগুম য়াঙনা থৌরগা লাক্লবসু মোইরাং য়ৌবদদি নোংয়াই মতুং পুং ১ তাগদৌরে। লীলা য়েংগদবা ভাবোক অমত্তা লৈরমদ্রে, শিন লাংলিবা খরা মথ্বায় নুংঙাইতনা লৈরম্বদু মঙাইরে। ঐখোয় লাক্লে তাবদা শাউবনা মৈ হৌরবা নহা খরদি খাম্নবা য়াদখৈ মৈ হৌনরে, লম লাপ্পী য়ানি হায়না উশিত্তদুনা তৌরিবনি হায়দুনা। লীলা কৌজরিবা লৈশাবীশিং অদুনা খরা ঈংথনবদগী ঐখোয়না লাল্লে, অহানবা শোদুসু খরা থেংনা হৌখ্রে, অদুদগী মথং মথং থেংলকপদুনা লম্বীদা অমুক গাড়ীসি য়ারক্তবনি হায়বদু থাজবসু য়াওই, অয়াম্বনা থাজখিদে, মমৈদা লীলাদু হয়েং অঙনবা মতমদা হায়বদি পুং ১১দা অমা হৌরগা, লীলা অমা হাপচরগে, অদুগীদি ঐখোয় শেল লৌররোই হায়না য়ানরে। ময়ামদুনা নুংদাংদুগী ঐখোয়গী চাক ঈশিং খুদক্তা লাংবীদুনা চারামক্তি হেনখিদ্রে। অহিংদু মোইরাংদা লেল্লগা ঐখোয় পুং ১১দগী লীলা অমা হৌরগা অতোপ্পা লীলা অমগা ফ্রীদা হাপ্লগা, মথংগী শো নংনবা চেনবদা কয়াগী মতিক ৱাখিবনো? আর্টিষ্ট অমনা খজিক্তং ফরক তারকপদা ঐখোয় য়াম্না ৱাই। অসিগুম্বা থৌদোকসি য়াম্না তোয়না থোকখ্রবজাৎনি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৪৬

**উসম ধনঞ্জয়**

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) না লৈবাক্কী ঈরাং কল্লিঙৈ অসিদা মেত্রিক এগজামগী ফোর্ম ফিল-অপকী লাষ্ট দেট দিসেম্বর ২৩দা লেপশিল্লক্লিবা অসি লৈঙাক্তা লৌতুনবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মরাল শীরক্লি।

**দিসেম্বর ০৫, ২০০৯ :** তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা কুকি খূৎলায় পায়বা কাঙলূপ অমনা এম্বুশ তৌবদা অতোপ্পা কুকি খূৎলায় পায়বা কাঙবু অমগী মীওই ৩ শিরে। অমরোমদা, শকখঙদবা খূৎলায় পায়বশিংনা অসাম রাইফলসকী পোষ্ট অনীদা লান্দাখ্রে।

কুকি খূৎলায় পায়বা কাঙলূপ অমনা অতোপ্পা কুকিগী খূৎলায় পায়বা কাঙলূপ অমগী মথক্তা এম্বুশ তৌবগী থৌদোক অদু থা অসিগী ৩গী নুংথিল পুং ১২.৩০ রোম তাবদা নুংবা পুলিস ষ্টেসন্দগী খারোমদা কিলোমিটর ৩০ রোম চৎলগা লৈবা লেংলোঙ লমখায়দা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অহুম অদুনা পাউতিনলম এলিয়জ লাজামান (২৭) অপোকপা নেমাং, নবিন খুন (চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট) সাথাং (২৭) অপোকপগী মীং শৈমাং হৈজাং ভিলেজ চুড়াচান্দপুর অমসুং খুপমাং হাওকিপ এলিয়জ দোনি (২৪) অপোকপগী মীং খুপহাও দিংজাং, মোনজং ভিলেজ (অসাম) নি। মখোয় অহুম কে এন এফ - এম সী (কুকি নেসনল ফ্রন্ট-মিলিটরি কাউন্সিল) গীনি হায়রি।

কে এন এফ (এম সী) গী মীওই ১২ রোম লেংলোং লমখায়দা লাকপদা মফম অদুদা হান্না লুমদুনা লৈরম্বা য়ু টি এন এ (য়ুনাইটেদ ত্রাইবেল লিবরেসন আর্মি) কৌবা খূৎলায় পায়বা লূপ অমগী মীওইশিংনা এম্বুশ তৌবনি। থৌদোক অদুদা কে এন এফ (এম সী) গী কেদর খরসু অশোক-অপন নংলম্বা য়াই হায়রি।

থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা নুংবা পুলিসকী কাঙবু অমা ও সীনা লুচিংদুনা জীপসি অমগা জীপ অমগদা মফম অদুদা চঙশিনখি। লম্বীগী ফীভম য়াম্না ফত্তবনা মরম ওইদুনা পুলিসকী জীপসি অদু তেকপদগী ইম্ফালদগী নৌনা গাড়ী কৌরগা থোক্লকখি অমসুং ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা অশিবা হকচাংশিং পুরগা ইম্ফাল য়ৌরকখি হায়রি।

পুলিস টিম অদুনা ঙরাং লোংপী খুন য়ৌবদা অশিবা হকচাংশিং অদু লৌথোক্লগা কূদা হাপ্তুনা নাৎকী ফি কূপ্লগা থল্লমখি। মফমদুগী খুঞ্জাশিংনা পুলিসতা লৈখিদ্রবা মীওই অহুম অদু কে এন এফ (এম সী) নি, মখোয় ১২ রোম লেংলোং লমখায়দা লাকপদা হান্না লুমদুনা লৈরম্বা য়ু টি এন এনা এম্বুশ তৌশিনবনি হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

অশিবা হকচাং অহুম্মক ঙসি নুংথিল রিমসতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা ইমুং মনুংদা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.১০ রোম তাবদা মশক খঙদবা অফবা মখলগী খূৎলায় পায়বা মীওই খরনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী কসোম খুল্লেন পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খোরিবোক্তা লৈবা ৩৪শুবা অসাম রাইফলসকী পোষ্টতা লান্দারকপদগী অসাম রাইফলসনসু হন্দুনা মিনট কয়ামুক নোংমৈ কাপ্নখ্রে হায়রি। থৌদোক অদুদা অসাম রাইফলসকী অশোক-অপন য়াওদে। অদুবু মীচম অনীদি শোক্লম্বা য়াই হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

মরকসিদা, ন্যুমাই ন্যুজ নেটৱর্ককী পাউ অমনদি ঙরাংগী এটেক অদু পি এল এ (পিপলস লিবরেসন আর্মি) না চৎখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অসাম রাইফলসকী লীখুন পল্লদুনা ন্যুমাই ন্যুজ নেটৱর্কনা হায়, থৌদোক অদুদা পি এল এগী কেদর অনী শিরম্বা য়াই। মীচম অনীসু অশোক অপন নংখি।

অতোপ্পা অমনা, জিরিবামদা লৈবা ৫শুবা অসাম রাইফলসনা আইন্না য়াদবা লালহৌলূপ পল্ফ (পিপলস য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট) কী সর্জন্ট মেজরনি হায়বা অমা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নরক্লে হায়রি। মমিংনা মুহম্মদ অব্দুল খালিক (৫০) অপোকপগী মীং মুহম্মদ জমারউদ্দিন কৌই। লিলোংদগীনি। অদুগা হৌজিক্লা অসামগী কছাড় দিষ্ট্রিক্টকী উজান্তারাপুরদা লৈবনি হায়রি। মহাক ঙরাং নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা জিরিবামগী বাবুপড়াদগী ফারগা হৌখিবা অহিং পুং ১.৩০ রোম তাবদা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন্দা পোইন্ট ২২গী রিভোলভর অমা অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরূ ২গা লোয়ননা শিন্নরকখিবনি হায়রি।

**দিসেম্বর ০৫, ২০০৯ :** জুলাই ২৩দা খ্বাইরম্বন্দ বজারদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পদা মী শিখিবা অদুগী মতুংদা মণিপুরদা ওইরক্লিবা ৱাথোক অসি লৈঙাক্লা থম্মোয় শেংনা ফিরেপ লৌদবদগী ফীভম শোক্লকপনি হায়না পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (পি এস ও) গী চেরোল অমনা হায়রি।

ওর্গনাইজেসন অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি অব্দুল হকিম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, লৈঙাক অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মওং মতৌনা ৱাথোক অসি হেন্না চাউথোকহনবগা লোয়ননা ৱারোইশিনগী লম্বীসু লম্মাংনহনবগুম তৌরি। লৈঙাক্লা মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙনা ৱাথোক অসি লোইশিনগে হায়বগী মহুত্তা কান্নরোইদবা থৌরাং কয়া তৌরক্লি। থৌরাং অসিগী মনুং চন্না সিক্যুরিটি ফোর্স শীজিন্নরগা, লৈঙাক্লা থাদোরকপা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন/গার্জিয়ন ওর্গনাইজেসন/টিচর এসোসিএসন খরা পুথোরক্তুনা ঈহৌ অসিগী মায়োক্তা হিগাইৱা তৌবগুম্না চত্থরক্লি হায়বা মরাল শীবগা লোয়ননা খোঙথাং অসি আরনবা খোঙথাংনি হায়রি।

নেসনল মীদিয়া টিম অমগা উনবদা সী এমনা নুমিৎ হুমনি ফাওবগী মনুংদা য়ানবা পুরক্লগনি হায়খ্রগা হৌজিক নুমিৎ অদুদগী থাখায়মুক হেল্লবা ফাওবা য়ানবগী ফীভম লাক্ত্রিবসি অঙকপা পোকই হায়রক্লি।

অমরোমদা, ফীভম্না মতমনা য়াদদুনা মহৈ তম্বা ফংদ্রিবা লমদমসিগী মহৈরোয়শিংগী অৱাবা অমসুং খুদোংচাদবশিং অদুদা ওর্গনাইজেসন অসিনা শরুক য়ারি হায়রি।

হন্দক্কী মতাং অসিদা ওর্গনাইজেসন অসিগী ওইনদি মহৈ তম্বা ফংনবা মীফম ফমদুনা ৱারেপ পংলৌদা লৌবগী মহুত্তা লৈঙাক্তা মীয়ামগী দিমান্দ অসি পীথোকখিনবা ওইনা প্রেসর পীহন্নীংই হায়রি। ●

# ইপা কৌব্রু লাইফমলেন

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

ইরমদম কংলৈপাক্তা লৈরম্বা, মতমগী খোঙজেলনদি হুমদুনা পুবিখ্রবা অমদি মখোয়গী চাদা-নাওদা ওইনা ঙসি হিংলিবা ঐখোয় খুদিংমক্কী হৌরকফমনি হায়দুনা নীংনরিবা, খুরুম্নরিবা, শোন্নরিবা শেংলবা ইপা কৌব্রুগী লাইফমলেন অসি মতম শাংনা থওইবীদনা, য়েংশিনবীবা তৌদনা লাকখিবনা ঙসিদি লাইফমলেন অসিগী নুংগী ওইবা মতিক ময়াইশিং কাউনখিদুনা নহারোলশিংগী দ্রগ চাফম, পিকনিক চৎফম অমদি তৌহৈদবা থৌওং কয়া তৌফম ওইদুনা চহী কয়া অমসি লাক্লি। মসিগী মথক্তা মহৌশাগী ওইবা নিংথিজরবা উ-ৱা, হৈপাল-লৈপাল খুদিংমক ককথৎ-য়াম্থৎখিবনা লু কোকপদা লেন তাবগুম ইপা কৌব্রুসে ৱানা লাক্লি। খুন্নাই অসিদা তারিবা ঐখোয় খুদিংমক্কী হৌরকফমনি হায়না থাজনরিবা য়াম্না শেংলবা মফমনি হায়না লৌনরিবা লাইফমলেন অসি লৈঙাক্লা অমদি মীয়াম্না য়েংশিনবীদুনা শেমজিন শাজিন তৌবীবগী মহুত্তা অতোপ্পগী লাইনীং লাইশোলদা ঙাওরিঙৈ করিসু য়েংশিনবীদনা, শেমজিনবীদনা লাক্লি ঙসি ফাওবদা।

অদুবু থেংলবসু থেংনা ইরমদমগী নুংশিজরবা মহৌশা কনবা লূপকী ইচিন-ইনাওশিংনা ইপা কৌব্রু লাইফমলেন অসিবু মপাল থোংগী শক্তমবু অমদি নুংগী ওইবা মতিক ময়াইবু কন্ননবা হায়দুনা লাইফমলেন অসিদা ঐখোয়গী হৌরকফমগী ওইবা ফীদম অমা, লাইশঙ অমা শাননবা হোৎনরি। মসি য়াম্না ফবা অমদি চুম্লবা খোঙথাং অমনি। খোঙথাং অসিদা ইরমদমদা অমদি মপালদা লৈরিবা ইরৈচা খুদিংমক্লসু শরুক য়াবীদুনা খোঙজং অসিবু শৌগৎপীয়ু হায়না পুনেমজরি। কৌব্রু লাইফমলেন অসিদা নত্তে কনগদবা। অতৈ ঐখোয় ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা লাইফমলেন ময়াম অমসু লৈরি কনগদবা। লাইনীং লাইশোলগী মায়কৈদগী য়েংদ্রবসু মাঙখ্রবা মহৌশাগী নিংথিজবা শক্তম, ফীভম অদু অমুক হন্না পুরক্লবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই।

অতোপ্পা কাঙলূপনা ঐখোয় মীতৈ/মৈতৈগীদমক শাগদবা লাইশঙনি হায়না অথিংবা থল্লকই হায়দুনসু মদুবু চুম্মী হায়না লৌবদি লানগনি। মরমদি মখোয়সু কৌব্রু লাইফমলেন অসিদা পূন্না খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরম্বা ঙাক্তনি। কোন্না তম্পাক্কী শরুক অসি ঈশিং কংখিবদগী মখোয়সু ঐখোয়সু খুন্দাবা হৌরকখিবনি। ঐখোয় পূম্নমক্কী হৌরকফম লাইফমলেন অসিবু নীংশিংদুনা ইপা কৌব্রুগী খুভম অমা শাবসিবু লাল্লি হায়গদৌরিব্রা? লাইশঙ/খুভম অসিনা তোঙান তোঙানবা লাইনীং চৎচবা খুদিংমকপুসু তরাম্না ওকই। মখোয়না লাক্তুনা লাই খুরুমজবদা, পোত্থাজবদা করিসু অকায়বা লৈতে। ঐখোয়গী ইপা ইপুনা শেংঙি হায়না থম্বীরম্বা খুভমবু কনবদি মচা-মশু ওইবা ঐখোয়গী ইথৌনি, মসি মালেম পূম্বদা লৈরিবা কাঙলূপ/মীওইশিং খুদিংমক্লা তৌনরিবনি, অনৌবা অমা নত্তে। মসিদা কনানসু লাল্লি হায়ফম থোক্তে। লাল্লিবদি অথিংবা থল্লক্লিবা মখোয়নি।

অদুগা অমনা, ইপা কৌব্রুগী লাইফমলেন অসি কংলৈপাক অসিদা লৈবা ঐখোয় পূম্নমক্কী হৌরকফমনি হায়বসি ঙসি ঙরাংতগী ৱাফম নত্তে। আ মৈহৌরোল ইপা ইপুগী হাক্তক্তগী খন্দুনা, থাজদুনা লাক্লবা ৱাফমনি। মসি ঐখোয়না ঙসি ঙরাংতা চীংগী শরুক অসিবু ঐখোয়গীনি হায়না লৌশিন্নবা হোৎনবা নত্তে। লৈঙাক্কী লমশিং অসিবু ঐখোয়গীনি, মখোয়গীনি হায়বা অমা অমুক লৈরিব্রা ? ইপা কৌব্রু নত্তবা অতৈ লাইফমলেন কয়া অমসু লৈরি চীংগী অমদি তমগী শরুক্তা।

হায়রিবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা লাইফমলেনশিং অসি অশেংবা মফমনি হায়দুনা থাজদুনা লাই খুরুমদুনা লাক্লি ঙসি ফাওবা। ঐখোয়তা নত্তে, অতোপ্পা ইরমদম কংলৈপাক্তা লৈবা কাঙলূপশিংগীসু মখোয় মখোয়গী থাজবগী মতুংইন্না লাইফমলেনশিং থল্লি চীংগী অমদি তমগী শরুকশিংদা। খুদম ওইনা হায়রবদা কবুই ইচিন ইনাওশিং। চীংদবু ওইগেরা, তমদবু ওইগেরা হায়রিবা লাইফমলেনশিং অসিবু নিংথিজনা কন্দুনা থমনীংলিবা কাঙলূপশিংদি অতোপ্পগী লাইনীংবু লৌরুদবা, চৎলুদবা কাঙলূপশিং অদুনি, মরু ওইনা সনামহী লাইনীংবু চৎচবা কাঙলূপশিং, অতোপ্পা লাইনীংদা খোঙ থাংজিনলুদ্রিবা কবুই কাঙলূপ অমদি মহৌশাগী পোৎলমশিং হায়বদি চীং-মান, তুরেল-পাৎ, উ-ৱা অসিনচিংবা পোৎলমশিংবু (Animism) নীংজবা, থাজজবা অতৈ চীংগী অমদি তমগী কাঙলূপ কয়া অমসু লৈরি। অসুম্না ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা ঐখোয়গী শেংলবা মফমশিংবু, লাইফমলেনশিংবু নীংশিংদুনা ফীভম, লাইশঙ অমদি মীথুংলেন্নচিংবা শাদুনা শেমগৎপবু করিগী অতোপ্পা লাইনীং চৎপা কাঙলূপকী মায়োক্তা তৌবনি হায়না লৌগদৌরিবনো। মসিদি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা তৌনরিবা মতৌনি। মরম অসিনা ইপা ইপুগী হাক্তক্তগী শেংলবা লাইফমলেনশিং অসিদা হৌরকফমগী ওইবা থাজবগী মতুংইন্না লাইশঙনচিংবা ফীভমশিং শাগৎপদা অতোপ্পা লাইনীং চৎপা কাঙলূপনা অথিংবা থম্বীরক্কনু।

লোইশিল্লকপদা, চান্ন-চিন্ননা নুংশিননা লমদম অসিদা লৈমিন্নসি হায়রবদি ঐখোয়গী হৌরকফমগী ওইবা লাইনীং লাইশোলবু উশিত্তনা য়েংবদো থাদোকপীয়ু। অসুম্না উশিত্তনা য়েংবসি অচৌবা অতোপ্পা লমদমশিংদগী, নাৎশিংদগী পুশিল্লকপা লাইনীংবু চৎপা কাঙলূপনা খক হেল্লি। ঐখোয়গী হৌরকফমগী লাইনীংবু animism নি, superstition নি, অশাবা ফিদমবু লাই ওইনা লাৎপনি, শেংদবা লাইনি, হা অদুনি-অদানি হায়না উশিত্তনা য়েংবীবসি। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসি অপিকপা ৱাখল্লোননি থাদোকপীয়ু। অদুগা, ঐখোয়গী হৌরকফমগী ওইবা থাজবশিং অমদি শেংলবা লাইফমলেনশিংবু কন্নবা হোৎনজরিবা মহৌশা কনবা লূপনা ইপা কৌব্রুগী লাইফমলেন অমদি অতৈ লাইফমলেনশিংবু শেমগৎ শাগৎতুনা মহৌশাগী খল নিংথিনা থম্নবা হোৎনবা অসিদা লাইনীং লাইশোল, নাৎ মান্নবা মান্নদবা য়েংদনা মখোয়না হোৎনরিবা অসিদা শৌগৎপীদুনা অঙম্বা মতেং পাংমীন্নসি। ঐহাক্কী ওইনদি লাইশঙ অমদি মীথুংলেন্নচিংবা শারকপদা অঙম্বা শেলগী ওইবা মতেংসু শোয়দনা হাপচগনি। হৌরকফম খঙবনা, ঈনাৎপু, ইরোলবু শৌগৎপনা য়াইফরে। য়াইফমিন্নরসি! ●